**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 18-05-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৮-০৫-২০২৬, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ইম্ফাল সাইকুল লম্বী শেমজিনবগী থবক চখুরিবা অদু চত্তুনা য়েংশিনখ্রে।

২) মণিপুর পুলিসনা হায়রি- মাংখ্রিবা মীওইশিং কন্নবা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখুরি।

**অমসুং**

৩) ভারত ম্যান্মারগী ঙমখৈ লান্না দ্রগ লল্লোনবদা চাওনা চেন্নবা ম্যান্মার মচা অমা এন.সি.বিনা দেল্লিদগী ফারে।

----

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ইম্ফাল সাইকুল লম্বী শেমজিনবগী থবক চখুরিবা অদু চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। চহী অসিগী মার্চ ১৪ দা লম্বী অসি শেমজিন্নবা প্রোজেক্ট অমা মুখ্য মন্ত্রি মশামকা হৌদোকখিবনি। লম্বী অদু শেমজিনবগী হৌজিক ফাওবদা ওইরিবা ফিভমশিং অদু পব্লিক ৱার্কস

দিপার্টমেন্টকী ইঞ্জিনিয়র চোংথাম বিস্বাচন্দ্রনা মুখ্য মন্ত্রিনা মরিক চুমা পাউদমখি। লম্বী অদু ক্কালিতি কন্ত্রোল তৌদুনা অপীবা মতমগী মনুংদা নিংথিনা শেমজিনবা লোইশিন্নবা মুখ্য মন্ত্রিনা পাউতাক পীখি।

খোঙচৎ অদুগী শরুক অমা ওইনা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দবু পাঙ্গে অমসুং খুন্দ্রাকপম এরিয়াগী ক্লবশিং অমদি মীয়ামা হরাও তয়ামা ওকখি। মফম অদুগী মীয়ামা পুখৎলকপা ৱাকৎশিংসু মুখ্য মন্ত্রিনা তাখি। ৱাকৎশিং অদু তারবা মতুংদা মুখ্য মন্ত্রিনা, মফম অদুগী মীয়ামগী হিংবদা চংবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা সরকারনা মখা তানা হোৎনখিগনি হায়নসু থাজবা পীখি।

**এইদস (এল)ঃ** ৱার্ল্ড এইদস ভেক্সিন ডেনা লাকপদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মালেমগী ওইনা ঐচ.আই.ভি.এইদস মরু ফংনা মুথৎনবা চংশিল্লকপা খোঙজং অসিবু মাই পাকহন্নবা হোৎনবদা বৈগ্যানিকশিংনা ঐচ.আই.ভি.এইদসতগী ঙাকথোকবা অমদি লায়েংনবগীদমক থিজিন হুমজিনবা, কান্নরবা হীদাক অমসুং ভেক্সিননচিংবা পুথোকপনা চাওরবা মতেং ওইরি। মসিগী মথক্তা হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিং অমসুং ভোলুন্তিয়রশিংনা কথোকপগা লোয়ননা হোৎনবা কয়াগী মহৈনা ঐচ.আই.ভি.এইদসন থেংনবদা খুমাং চাওশিন্না চংশিনবা ঙল্লি। ঐচ.আই.ভি.এইদসকী মরমদা মীয়ামদা হেন্না খঙহনবা অমসুং মসিগী মরমদা মখা তানা থিজিনদুনা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নদুনা ঐচ.আই.ভি শন্দোকপা থিংদুনা মশা মউ ফবা তুংগী খুন্নাই অমা শেল্লসি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোঙদোক্লি।

**পুলিস (এল)ঃ** মণিপুর পুলিসনা হায়রি- মাংখ্রিবা মীওইশিং কন্ননবা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তনা চথরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-কাংপোকপী

জিলাগী মনুং চনবা লৈলোন ৱাইফৈ অমসুং খারম ৱাইফৈ খুলশিংগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা চীংশাংশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্নবগী থবক চথুখি। চীংনবা মফমশিং অমসুং ইরাং থোক্কনবা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী মফম কয়াদসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্নবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

অমরোমদা, ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা খাবম লমখাই মখা লৈকাইদগী প্রিপাক্কী মীওই অমা ফারে। মহাক লাংমৈদোংদগীনি হায়রি।

চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম ১১৫ দা সেক্যুরিতিগী চেকপোইন্টশিং থমদুনা চেকশিল থৌরাংশিংসু লৌখৎলি। মরক অসিদা, থা অসিগী ১১ দগী ঙরাং ফাওবগী মনুংদা গারি নিয়ম চুমা থৌদবা মীওই ৮২ চলান ককহনখি। মখোয়দগী লূপা লাক্ষ ১ লিশিং ১২,৫০০ রোম খোমগৎখি। হায়রিবা মতম অসিদা তিন্তেট ফিল্ম নপ্পল্লবা গারি ২২ দগী তিন্তেট ফিল্মশিং লৌথোকখি। অদুগা, গারি অমনা ফাখি।

**ডে (এল)ঃ** ঙসি মালেমগী ম্যুজিয়ম নুমিৎনি। কুমজা ১৯৭৭ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা ইন্তরনেসনেল কাউন্সিল ওফ ম্যুজিয়মনা মালেমগী ম্যুজিয়ম নুমিৎ পাঙথোকপা হৌরকখি। পালন থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি ম্যুজিয়মগী মতাংদা অমসুং কলা সংস্কৃতি অমদি ইতিহাসকা শাগোন্নরবা পোৎলমশিংগী মরমদা মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবনি।

**ৱাবগাই (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী মনুং চনবা ৱাবগাই য়াংবী কম্মুনিতি হোলদা ঙরাং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট আর্ট এন্দ কলচরেল দেভলপমেন্ট এসোসিয়েসনগী ২৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা, আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌরম্বা ওজা গুরুশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকাই খুমবা উৎখি।

**জগোই (এল)ঃ** রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা সেদ্যুল কাষ্ট চিলদ্রেন্স কলচরেল দান্স একাদেমি ককচিং খুনয়াহ লৈকাইনা শিন্দুনা পাঙথোকপা দিবা রাস জগোই তন্বীবগী থা অহুম চথুগদবা ৱার্কশোপ অমা ঙরাংদগী হৌখ্রে। ৱার্কশোপ অসি হৌরক্লিবা মীরোলদা দিবা রাসগী মরমদা হেন্না খঙহন্নবগী ৱাখল্লোনদা পাঙথোকপনি হায়রি।

**দ্রগ ঃ** নার্কোতিক্স কন্ত্রোল ব্যুরো (এন.সি.বি)না, ভারত ম্যান্মারগী ঙমখৈ লান্না দ্রগ লল্লোনবদা চাওনা চেন্নবা থানসিনতুৱাং কৌবা ম্যান্মার মচা অমা দেল্লিদগী ফারে।

এন.সি.বিগী পাউনা হায়- রাজ্যশিংগা পাউ ফাওনদুনা অরোনবা পাউশিং নিংথিনা খোমজিল্লবা মতুংদা দ্রগকী কিংপিন অসি ফাখিবনি। মীওই অসি কুমজা ২০২৪ দা খাওজোল মনাক্তগী মেথামফেতামিন কিলোগ্রাম ১৪ অমসুং হেরোইন কিলোগ্রাম ২ গ্রাম ৮০০ ফাখিবা অমদি কুমজা ২০২৫ দা আইজোলদগী মেথামফেতামিন কিলোগ্রাম ৪৯ ফাখিবগী থৌদোকশিং অদুদা চেন্নবা মীওইনি। মহাকপু মচিন হংবদগী ম্যান্মারদগী মিজোরম, মনিপুর, অসাম অমসুং ত্রিপুরা ফাওদুনা ভারত অমদি বঙ্গলাদেশকী মফম কয়াদা ঙমখৈ লান্না দ্রগ লল্লোনবগী থবক্তা য়ামা চাওনা চেন্নবা মীওইনি হায়বা খঙবা ঙল্লে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা স্বিদেনগী ক্রাউন প্রিন্সেস ভিক্তোরিয়া, প্রধান মন্ত্রি উল্ফ ক্রিসতরসন অমদি স্বিদিস সি.ঈ.ওশিংগা উনদুনা ৱারি শান্নখ্রে। উনবা অদুদা, প্রধান মন্ত্রিনা ভারত অমসুং স্বিদেনগী মরক্তা গনতন্ত্র, ইন্নোভেসন অমসুং সস্তেনেবিলিতিনচিংবগী লমদা লৈনরক্লিবা মরীশিং নৌহৌননা নিংশিংখি। লৈবাক অনিগী মরক্তা শেল থুমগা মরী লৈনবা লমশিংদা মরুপ মপাং ওইনা থবক তৌমিন্নরক্লি হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোঙদোকখি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মহাক্কী খোঙচৎকী মরিশুবা ওইনা নোর্ৱেদা থুংলগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কন্না হোৎনরবসু ফুরুপ অনিগী ফাজিনখিবা ২০ দি থাদোনরক্ত্রি, থাদোরক্ত্রি ফাওবা য়ু.এন.সিগী ইন্তর দিষ্ট্রিক্ট ইকোনোমিক ব্লোকেট হৌখ্রে, কুকি ইনপী মণিপুরগী কুকি তাবা মফমশিংগী তোতেল সটদাউনসু শাংদোকখ্রে হায়না- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা বেনর হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিং- হুইয়েন লানপাউ, পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, নহারোলগী থৌদাং, হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস, গানফিউ মেল, তামেংলোং তাইমস অমসুং সনালৈবাক পাউচেদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হাইৰে অনিদা পুন্না গারি ৬০০ রোম পন্দুনা লৈরি, নোনেদা পল্লিবা গারিশিং এস্কোটকা লোয়ননা পুথোরকবা থৌরাং তৌরি হায়বা পাউ- পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল সাইকুল লম্বী শেন্বগী থবক সি.এমনা য়েংশিনখ্রে, পাঙ্গৈ অমসুং খুন্দ্রাকপমগী খুঞ্জাশিংদা থাজবা পীরম্লে হায়বা পাউ- হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি। পাউ অসি- অতৈ পাউচেশিংদসু ফোঙনরি।

ভারত ম্যান্মারদা দ্রগ সিন্দিকেটকী কিংপিন অমা এন.সি.বিনা ফারে হায়বা পাউ- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

পেত্রোল পম্পশিংদা থাও মরাং কাইনা লৈত্রে, রিতেল আউটলেটশিংগী মমাঙদা ক্যু লেপখ্রে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

আর.কে.বিধুর ফিল্ম ক্রিটিক এৱার্দ ২০২৬ মেঘচান্দ্র কোংবমদা খুৎশিন্নখ্রে হায়বা পাউ অমা- মণিপুর মেলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

ইম্ফাল ইষ্টকী মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে হায়বা পাউ- নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

তাউন চর্সেস য়ুনিয়ন তামেংলোংগী পাষ্টরশিংনা ইমান্যুএল বেপতিস চর্চতা লমদম অসিদা শান্তি লাকবগীদমক প্রেয়র তৌখ্রে হায়বা পাউ- গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

এক্লবিয়া মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুলগী মহৈরোইশিংনা শাবা পেবর বেগশিং ফার্মাসিশিংদা য়েনথোকখ্রে হায়বা পাউ- তামেংলোং তাইমসকী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সেনাপতিদা পন্দুনা লৈরিবা পেসেঞ্জরশিং অমসুং দ্রাইভরশিংদা রিলিফ মেতরিয়েলশিং য়েন্থোকখ্রে হায়বা পাউ- সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**---পাউ লোইজরে---**